# রেফরিগী দিসিজনদা পেন্দবদগী চয়েৎনবা থোক্তুনা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ফাইনেল মেটচ লোয়শিনখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা টিম ২৪না গ্রুপ ৩ থোক্না খায়দোক্তুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা ইস্তর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ই এস য়ু ) অমসুং এন এম এফ এগী ফাইনেল মেটচকী পেনাল্টি সুট আউটতা রেফরিগী দিসিজন পেন্দবদগী চয়েৎনবা থোক্তুনা লোয়শিনখিদ্রে।

ই এস য়ু অমসুং এন এম এফ এ সলাম অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অপিবা মতমদা টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্দুনা দ্রো ওইবদগী পেনাল্টি সুট আউট পাঙথোকখিবদা রেফরিগী দিসিজন অমদা এন এম এফ এগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা মখা তাবা পেনাল্টি সুট আউট পাঙথোকউ য়াখিদবদগী চত্থরিবা ১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ৱিন্নর লেপ্পা ঙমখিদ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিগী হৌরকপদা টিম অনীমক্না লম্বা চানা শান্নরবসু মেটচকী ১৭শুবা মিনিটতা ই এস য়ুগী গোলকিপর সিঙ্গামযুম সোহেলগী অশোয়বা অমদগী খুদোংচাবা লৌদুনা এন এম এফ এগী জর্সি নম্বর ৭ ইরেংবম ইন্দ্রজিৎনা গোল ওন্থোক্তুনা একাউন্ট হাংহনবতা নত্তনা মহাক্কী টিমবু মাঙজিল থাদুনা চৎহনখি।

মখা তারকপা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা ই এস য়ুগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্নবা হোৎনরবসু এন এম এফ এগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা থিংদুনা লৈখিবদগী গোল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি। অনীশুবা হাল্ফতা ই এস য়ুগী গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া ফংখ্রবসু পোষ্টতা পান্দুনা অমদি লাইবক লৈতবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী লোয়রমদাই মিনিট ৮০ হেল্লবা ফাওবা ই এস য়ুগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী এন এম এফ এনা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবগী অশা ৱাংনা লৈরল্লবসু ৮৭শুবা মিনিটতা এন এম এফ এগী গোলকিপর চালর্স তোংব্রমনা মখোয়গী বোক্স মনুংদা ই এস য়ুগী শান্নরোই অমদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা ই এস য়ুগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। পেনাল্টি অদু ই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৩৫ এমদি মুহাদিসনা গোল ওন্থোক্তুনা মেটচ অসিগী অপিবা মতমদা মায়থিরমগদবদগী কনবা ঙমখি।

টিম অনীমক্না লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী গোল ১-১দা দ্রো তাদুনা পেনাল্টি সুট আউটনা মেটচকী মরাইবক লেপ্পা তাখি।

পেনাল্টি সুট আউটতা ই এস য়ু অমসুং এন এম এফ এগী মায়কৈদগী অহানবা কিক্কর মঙাগী মনুংদা গোল ৪-৪ চন্নদুনা দ্রো তাবদগী সদ্দন দেথ পাঙথোকখি। সদ্দন দেথতা অহানবা কিকর ২-২ গোল চন্নবগা লোয়ননা টিম অনীমক্কী অহুমশুবা কিকর গোল চন্নবা ঙমখিদে। মখা তারকপা ওইনা এন এম এফ এগী মায়কৈদগী গোল চল্লবসু ই এস য়ুগী কিক অদু এন এম এফ এগী গোলকিপরনা সেভ তৌখি। অদুবু এন এম এফ এগী গোলকিপর অদুনা সেভ তৌবদা ফাওল তায় হায়দুনা রেফরিনা অমুক হন্না ই এস য়ুগী কিক অদু হন্না কাওন্নবা দিসিজন পীরকপদগী এন এম এফ এগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংনা রেফরিগী দিসিজন অদুদা পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মখা তানা পেনাল্টি সুট আউট পাঙথোকউ য়াদবদগী ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদু লোয়শিনবা ঙমদনা অমদি লীগ অসিগী ৱিন্নর লেপ্পা ঙমদনা লৈখ্রে।



*৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬:*

# মৈরা বাশিখোং অমসুং এম পি এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাক্কো স্কুলসনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা সেয়োগী হোক্কী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬ ষ্টেট লেভেল মেন'স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মৈরা বাশিখোং অমসুং এম পি এস সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা এম পি এস সিনা কে ঐচ এস সি খোংমনবু গোল ৫-২দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টর অমসুং অনীশুবা ক্বার্টরগী অয়াম্বা শরুক্তা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবসু লোয়রমদাই ২৮শুবা মিনিটতা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ১৭ এন ভাকরনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা মাঙজিল থাহন্দুনা চৎপা ঙমহনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অমদি অহুমশুবা ক্বার্টরগী ৪৪শুবা মিনিটতা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৬ এম মন্তোশনা অহেনবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টরগী হৌরকপা মিনিট ৪৬শুবা মিনিটতা কে ঐচ এস সিগী জর্সি নম্বর ১৮ রোহিটনা শোত্থনা লৈরম্বা গোলশিংগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙম্লবসু লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা এম পি এস সিনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরকপগা লোয়ননা ৫১শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৯ টিঐচ কিরনকুমার, ৫৬শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১১, এস সুরেস অমসুং থংনবা মিনিট ৫৭শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখিবা জর্সি নম্বর ১৭ এন ভাকরনা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং টিমগী মায় পাকপগী মঙাশুবা গোল চনবা ঙমখি।

ক্বার্টর অসিগী অরোয়বা মিনিট ৬০ শুবদা কে ঐচ এস সিগী জর্সি নম্বর ১৮ রোহিটনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসিদা এম পি এস সিনা কে ঐচ এস সিবু গোল ৫-২দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি অনীশুবা মেটচতা মৈরা বাশিখোংনা ৱাই সি সি আই সি অহল্লুপবু গোল ৪-৩দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা মৈরাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩২ টি ঐচ ইঙালেম্বনা অহানবা ক্বার্টরগী অনীশুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ২ কে সঞ্জিৎনা ৬শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ৮ টিঐচ য়াইফবনা ২০শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ২১ এন জেনজেননা ৪১শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

মায়থিহৌরবা ৱাই সি সি আই সিগী গোল ৩ অদুনা অহানবা ক্বার্টরগী ৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১২ ইবুংঙো অনীশুবা ক্বার্টরগী ২১শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৪ লনচেনবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরগী ৫৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৭ বিদ্যাচরননা চনবা ঙমখি।



# ৱার্ল্ড কপকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২৬তগী ২৯ ফাওবা কজকস্তানগী অস্তনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেন্সিং (ইপি) ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবা মণিপুরদগী ফেন্সর অমা অমসুং কোচ অনী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

লেমজনিংঙাই ওইরবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ানবা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা ফেন্সর অদুদি সাই এন সি ও ই ইম্ফালগী মহারাবম ষ্টেলা দেবীগা লোয়ননা সাই এন সি ই ও ইম্ফালগী কোচ হুইদ্রোম সুরঞ্জয় সিংহ অমসুং খেলো ইন্দিয়া সেন্তর ইম্ফালগী কোচ ওইরিবী হজারিময়ুম হরিপিয়ারি দেবীনি। টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৯৬ রোমদগী পুন্না ইপি ফেন্সর ৬০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা নুপা অমসুং নুপীগী ইন্দিভিজুয়েল অমদি টিম ইভেন্টদা মেদলগীদমক কনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

# এন ৱাই টি ঐচ সি ওক্রম চুথেক অমসুং অবা ক্ষেত্রিগাও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ

থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ট্রষ্ট খোংমনগী স্পোন্সর মখাদা সোসিয়েল ৱার্করস কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি) খোংমননা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ৮শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা এন ৱাই টি ঐচ সি ওক্রম চুথেক অমসুং অবা ক্ষেত্রিগাও মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচতা এন ৱাই টি ঐচ সিনা এস দি এ ক্যামগৈবু গোল ১-০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এন ৱাই টি ঐচ সি ওক্রম চুথেক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী ৪৮শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১০ বোরিসনা চনবা ঙমখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা এস দি এগী জর্সি নম্বর ৩১ চেসম য়ুনুজ খানদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা অবানা এম আর ওবু গোল ২-১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা অবা ক্ষেত্রিগাওগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ অঞ্জিমনা মেটচকী ২৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৮ অমজাদ অলিনা মেটচকী ৩২শুবা মিনিটতা অমমম চনখি। মায়থিহৌরবা এম আর ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২ এমদি রোহিট খাননা মেটচকী ৪০শুবা মিনিটতা চনখি।

বি পি ৱাই সি পান্থোইবী অমসুং এ এফ সি অঙথা শান্নগদবদা এ এফ সি লাক্তবদগী এ এফ সি টুর্নামেন্ট অসিদগী স্ক্রেষ্ট তৌখ্রে।

# টি ২০ ভেটরান ক্রিকেটকী দ্রো পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৯দগী চত্থগদৌরিবা ৩শুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি ২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬কী দ্রো পাঙথোকখ্রে।

টিম ২৩না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চত্থগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হাওবম মরক কৈশাম লৈকাইদা লৈবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ওফিসতা দ্রো পাঙথোকখিবগা লোয়ননা গ্রুপ-এদা রেইস নাগামপাল, কে এস দি ও ক্যামগৈ, ৱাই সি সি ৱাঙ্খৈ, য়ু সি সি উরিপোক, ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল অমসুং এস এন সি সঙাইপ্রৌ পুন্না তামিন্নখ্রে।

গ্রুপ-বিদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ, আর এন ই এফ ময়াং ইম্ফাল, চেম্প খাগেম্পল্লি, এস য়ু (এস ভি সি) শগোলবন্দ, নম্পা খা-ইম্ফাল অমসুং এন সি এ নিংথৌখোংনা পুন্না তাখ্রে।

গ্রুপ-সিদা টি সি এম দি সি থোংজু, সেদো থাংমৈবন্দ, এল সি সি সি লিলোং চজিং, কে সি সি কোংবা, বি এস সি (এ) ব্রহ্মপুর, ৱাই পি ঐচ য়ু (নোংইন) লালাম্বুং মখোং পুন্না তামিনখিবগা লোয়ননা গ্রুপ-দিদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল, বি এস সি (বি) ব্রাহ্মপুর, ৱাই এ সি য়াইস্কুল, এল সি সি লমশাং অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু (ৱারিয়স) লালাম্বুং মখোংনা পুন্না তামিন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি দ্রো পাঙথোকখিবগা লোয়ননা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংগী মেনেজরগী মীফমসু পাঙথোকখি।

# শান্নরোই ১০ থারক্নবা অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ

স্বামী ভিভেকানন্দ অন্দর-২০ মেন'স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা ষ্টেট টিম শেম্নবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনা শান্নরোই ১০।১০ থারক্নবা অম্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ২০০৭গী জনুৱারী ১দগী ২০০৯গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ৩০গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# ৱাইখোং অমসুং মালেম এফ সি দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (এস এন এস)ঃ

সামরাম ফুটবোল ক্লব (এস এফ সি) সামরামনা শীন্দুনা টিম ১৮না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্তুনা এস এফ সিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৪শুবা সামরাম ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস দি ৱাই সি হয়েল্লবুক মায় পাকখিবগা লোয়ননা ৱাইখোং এফ সি অমসুং মালেম এফ সি দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এস দি ৱাই সিনা জোদি এফ সিবু গোল ৪-৩দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এস দি ৱাই সিগী গোলশিং অদু এমদি জানবনা মেটচকী ৩শুবা অমসুং ৩৮শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি এমদি অকা অমসুং এমদি সাউদনা গোল অমমম চনখি। মায়থিরবা জোদি এফ সিগী গোলশিং অদুনা হেনবা, প্রসান্তা অমসুং সঞ্জিৎনা অমমম চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাইখোং এফ সি অমসুং মালেম এফ সি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

*২৪শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট:*

# লংথবাল এফ সিনা এফ এল ভি কে টি থোয়খ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্তুনা সাই এন ই আর সি তাকয়েলগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২৪শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লংথবাল এফ সি অমসুং টি আর ভি এস এ মালোম মায় পাকখ্রে।


টুর্নামেন্টগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা লংথবাল এফ সিনা এফ এল ভি কে টি ক্বাকৈথেলবু গোল ৫-০দা মায়থিবা পীখি।



মায় পাক্লবা লংথবাল এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ ঐচ ঈশ্বরচান্দনা মেটচকী ১২শুবা, ২১শুবা অমসুং ২৮শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়ননা জর্সি নম্বর ১৮ এস জিবননা মেটচকী ৪৭শুবা চনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোল অদুনা এফ এল ভি কে টিগী জর্সি নমবর ৫ টিঐচ জয়কুমারনা মেটচকী ২৫শুবা মিনিটতা অউল গোল ওইনা চঞ্জখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি আর ভি এস এ মালোমনা এফ এফ সি নিঙোম্বমবু গোল ২-০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা টি আর ভি এস এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ কামৈ গান্ধিবানা মেটচকী ৩৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ কেঐচ জিতেননা মেটচকী ৩৬শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২তাবদা গ্রুপ-দিগী ই এম ভি এফ সি লম্লাই অমসুং থাংমৈবন্দ এফ সি অদুগা গ্রুপ-এগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৩.১৫দা ফ্লাম য়াইস্কুল অমসুং এম এল ভি এফ এ ময়াইলম্বীনা শান্নরগনি।







Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77
E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com